# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৫৮

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

ঐখোয়গী ইন্দিয়া ঙসিদি পুমওন ওল্লে। শেঞ্জা থুমজা, খূৎকন-পাঙ্গলবগী লৈবাক ওল্লে। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি শলাক শারে। অচুম্বগী মফম লৈশিল্লক্তরে। ঐখোয়গী মহাভারত, ফজরবা মহাকাব্য ঙসিসু তানরি। ঙসিসু ময়েক শেংনা থাজনরি। থাজবনা মপূং ওইবা থম্নদুনা য়াম্না ৱানা খাঙনরি। ঐখোয়গী ইন্দিয়া, ঐখোয়গী লমদমসিদা ঙসি ফাওবা চথরক্লিবা লৈঙাক্কী ৱায়েল থৌদা কদাই ফাওবা থাজবা থম্নরিবগে? ৱাহং অসিগী পাউখুম ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী মীয়াম্না হংনরক্লি। হেন্না হেন্না হংলকখিগদৌরি। মতম শাংনা লৈঙাক্লক্লবা পোলিটিকেল পার্টি কোংগ্রেসনা তম্বীরম্বা পড়া ঙসিদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ফজনা ফারে। অদুবু চহী ৫০গী মথক্তা পড়া ফানদুনা লাকপগী থাদোক্লবদি ঙম্নদ্রি। ইন্দিয়াগী মীয়াম অচুম অরান, অফবা-ফত্তবা খঙনদবদি নত্তে। মতম শাংনা হৈনরক্লবা, মতম শাংনা শীজিন্নরকপদগী থাদোক্লবদি ঙমগদবা মানদ্রে। মরমদি এদিক্ট ওইখ্রে। থাদোক্লবা তরাইবা নত্তে। মতম অমদা মীয়াম্না য়াম্না কিনরম্বা এটোম বোম, ২১শুবা চহী চাসিদা এটোম বোমদগী হেন্না শাথী-শাথীরবা মতমসিগী অওনবদা মখল মখাগী খূৎলায় পুথোক্লরক্লি। ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদা লৈরম্বা নোংমৈগী মখলসু ২১শুবা চহীসিদা মখল মখাগী নোংমৈ মখল মখল পুথোক্লরকপগুম লৈবাক শেম্বগী, লৈবাক্কী অওনবা মথং-মথং লেপ্তুনা চোংথোক্লরকপা ঙক্তনিংঙাই লৈতে।

মসিগী মখা চথুরকপদা ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সসু মতমগী খোঙলোই তুংইন্ননা ওল্লে। হোংলে, হায়দবা য়াররোই। মসি পূম্নমক মতমসিগী পোলিটিকেল পার্টিসু মখল-মখাগী পোলিটিকেল পার্টি চোংথোরকপা করিগী ঙক্তবা য়াবরা? মহাভারত মখল মখাগী পোরম পুথোরকপগুম পোলিটিক্সসু জাৎ জাৎকী থবক ওন্থোরক্লে। মসিগী চরাংনরবা, লৈতাদ্রবা তাঞ্জা অমদি ফজনা ঐখোয়গী ইন্দিয়াদা থুংলরে। মতম শাংনা লৈঙাক্লকপগী অফবা ফত্তবা পূম্নমক ইন্দিয়াগী আইন কানুন অরুবা অশেংবা শেঞ্জা থুমজা অরোল অফোঙ চপ চানা চহী ৫০ মুক্কী মনুং-মপানগী পোলিসি কুপ্না খঙলক্লবা কদাইদা করি শোয়রিবা, কদাইদা করি তৌরগা মপান মরা তাখ্রবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক মুথুৎকদগে হায়বসি কূপ্না থিজিল্লবা তুংদা অনৌবা পোলিসি অমা পুথোরক্তুনা ঙসিদি কোংগ্রেস লৈঙাক নত্তবা অহোংবা অওনবা, অহোংবা লৈঙাক অমা ইন্দিয়াদা থুংলরে। ইন্দিয়াগী মীয়াম হরাওনখিদবা নত্তে। ইন্দিয়াগী মীয়াম লাইনীং ফুরুপ কয়াগী থম্মোয়দা খঞ্জরম্বা খরদি মপূং ফানা হরাও তয়াম্বা ফাওনরকখিবদু ঙসিদি মদুগী তৈন-ওন্নবা লম্বী অমা ফজনা মশক খঙনরে। অদুবু ওল্লকইবা, হোংলক্লিবসি চরাংনবা থোরক্লিবসি চম্না তরাইনা খন্দোক্লবা য়াররোই। ঙসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংদা লাংনরক্লিবসি লৈঙাক্কী শক্তি, লৈঙাক্কী পাঙ্গলনা মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা থুগাইবদি চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। মীৎয়েং অমরোমদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা মখল মথেলগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ, লাইনীং খেন্নবা কয়া লৈতবদি নত্তে। মরম অদুনা সী এ এ শৌগৎপা-শৌগত্তবশিং অনীগী মরক্তা নুংদা লাংনরকপশিং থাজ-থাজদ্রবা থৌদোক ৱাথোকসিসু তরাইবদি ওইররোই। মসিগী মথক্তা শক্তি পায়বশিং ৱাজাও ঙাঙসু নোংম-নোংমগী ৱাংখৎলকইবসি খরদং হেন্না খন্থবা মতম ওইরে। ইন্দিয়াগী মনুংদা মেজোরিটি ফংলবশিং কনানা করি তৌবা ঙমগনি হায়বসি খন্থবা খরসু ফগনি। ইন্দিয়াগী মীয়াম মরক্তা শিবা কিদবা, মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্কনি।

মালেমদা শিবা কিদবা মীগী লখা থিবা খরা ৱানা থোক্কনি। ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্বাকনা ফমদেকই হায়বা ইপা-ইপুগী ককপা য়াদ্রবা পাউরৌ কাউথোকপা খক য়ারোই। মতম অমদা মনম লৈবাক তাররোই খল্লম্বা ঐখোয়গী ইন্দিয়া পূম্বা খুদুম চল্লম্বা কোংগ্রেস ঙসিদি হৌগৎপা য়াদনা লৈরিবসি করিগীনো? কুন্থখ্রবা শামু অমুক হন্না হৌগৎপা হায়বসি তরাইবা নত্তে। হন্দক ইন্দিয়াগী কোনুং ওইরিবা দিল্লিগী ভোট অনৌবা পড়া নত্তে। পোলিটিক্সকী খোঙফম চেত্তবা, পোলিটিক্সকী মতম মতমগী ঈহৌ কনাসু থিংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা সী এ এগী ৱাথোক্লা শাশক দল ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি জে পি মতম শাংনা লৈঙাক্কে খল্লবদি ৱাজাও ঙাঙবা খরদং খন্থবা তাঞ্জানি। ঐখোয়গী কোনুং ওইরিবা দিল্লিগী ভোট তরাইবা নত্তে। হন্দক্কী দিল্লিগী ভোটতা বি জে পিসু শেল, শঙ্গ-পঙ্গ, শেঞ্জাওগী লাং থাক্লরম্লোই হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। অচুম্ববু অশেংববু অরানবনা খুদুম চনবা হায়বসি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না থাজবা থম্নরিবা মহাভারত নীংশিংমীন্নবা মতম ওইরি। সী এ এগীদমক শিবা কিদবা, সী এ এগীদমক লান্থেংনরিবা অনীমক অমত্তা তরাইবা নত্তে। ইনশিল্লগা, থৌজিল্লগা মথৌ হাপ্পা, থম্মোয় শেংনা মরোমদোম থেংনগনি হায়না চোংথোরক্লগা লম্বা তৌনবা হায়বসি নুং-পান ফাওনা নাকল অনীমক শোইদনা খন্থমিন্নবা মতাং লৈতবা নত্তে। ঙসি লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা ঐখোয়না তৌবনা মফরে, ঐখোয়না ঙাঙবনা মচুমলে হায়বা ৱাখল থাদোকপীয়ু। ইন্দিয়া মীয়ামগী খোল্লাউ, ৱাকৎ চনীং তানা খন্থনবা মীয়াম্না পাম্নরক্লি। মতম অমদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লিঙৈদা খন্থহৌদবদগী ঙসি ইন্দিয়া পূম্বদা শোয়থরক্লিবা, মাঙথরক্লিবশিং ঙসিদি ফজনা ৱাখল তারম্লগনি। ঙসিগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাকসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা অওনবা অহোংবা মশক থোক্লা করিবু তৌবিরবগে হায়বসি খন্থনবা মতম ওইরে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা মশক থোকপা তৌরম্লবদি করিগীদমক ইন্দিয়াগী কোনুং ওইরিবা দিল্লিদা মায় পাকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? ৱা ঙাঙবগা থবক্কা চীনগা খূৎকা মান্নদবদগী হন্দক্কী দিল্লিগী ইলেক্সন্দা পরা তম্বীখিবনি। মসি কূপ্না থিজিন্নবা মতম চপ চারে। শেঞ্জাও পায়বগী লান থবক ওইনা উহন্দবগী কাংলোন ঐনা তৌবনা মচুমলে, ঐনা ঙাঙবসিনা মরোইরে খনবদি থবক্লা য়েংবীয়ু।

শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা ঙাঙলিবশিং ষ্টেট খুদিংমক্তা চৎতুনা য়াম্না কূপ্না থিগৎপা মতম চপ চারে। শ্রী নরেন্দ্র মোদিজিনা ফমজাও পায়রগা ৱাজাও ঙাঙবনদি য়াররোই। ঙসিগী চকসিদা চীনগা পূন্না চৎমিন্নদ্রবদি লৈঙাকপদা পুন্সি শাংবা খক য়াররোই। মরম অদুনা মমাঙগী ভোটকীদমক মণিপুরদা ঙাঙলম্বসি কদায় ফাওবা চুমথোকপা ঙম্লবগে? থবক ওইনা করি করি পাঙথোকপা ঙম্লবগে হায়বা থিগৎপীফম থোক্তবরা? ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্তা থম্মোয় শেংনা চ্যেক তৌফম থোকই। মসি পূম্নমক ষ্টেটকী ওইনা পীথরক্লিবা থবক মরীক চুম্না খঙবীফম থোকই। মপূং ওইনা ঐখোয়গী মণিপুরগীদমক মখল মখাগী ফজ-ফজরবা মনা-মথুম ফংহনবগী পাউ মীয়াম্না তানখ্রবা ঙাক্তনি। অদুবু ঙসি ফাওবা মশক থোকপা খুদম চাংদম পীবা য়াবদি করিনো। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং, স্কুল ফগৎহনসি মিসন, প্রধান মন্ত্রি উজ্বালানচিংবা ফজ-ফজরবা কয়াদি তাবদা নুংঙাইবা, হায়বদা ফজবা কয়াদি লেপ্তুনা লাউথোকই। অদুবু থবক ওইনদি করিসু ঙমদবসিবু করম্বা থৌশিলনো?

মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদগী করিসু অহোংবা-অওনবা লৈতে খল্লি। তশেংনমক খুঙ্গং-সহরদা করিসু অওনবা লৈতে। খুঙ্গংগী লম্বী-থোং, ঈথৈ-লৌখোং, খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজশিংদা অহোংবা করিসু উহনদে। ঙসিগী মণিপুরগী মীয়াম্না বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী অওনবা অহোংবা লৈতে হায়রিবসি ষ্টেট অসিদা ফজ-ফজরবা থৌরাং কয়ানা পোরম য়াৎলগা থবক ওইনা উহন্দবসিবু করম্বা লৈঙাকনো? ইম্ফাল সহরদা লম্বী থোং চিনবগুম হন্দক্কী বি জে পি লৈঙাক্কী চহী অহুমলোমসিদা খুঙ্গংগী লমলেম, লমহাং খোপচিন্দুনা খুঙ্গং ফাওবা লম্বী চিনবা হেনগৎহল্লে। মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিং ওইরিবশিংনা মীয়াম তিনবা মফমদা পংলাউ লাউবনা লৈঙাক ফজহনবা খক য়াররোই। চহী অহুম শুজিল্লবা ফাওবদা মচু তাবা থবক পায়খৎতবসিবু করম্বা মীয়াম্না পেন্নরমগনি। মণিপুরগী মীয়ামদি অরেং অরেং পুথনরে। বি জে পিগী মন্ত্রি, এম এল এশিংদি মশক থোক্লা অহোংবা লনরম্বা য়াই। মণিপুরদা থবক লৌবগী মখল মথেলগী চাংয়েং তৌনবদা মশীং খঙদনা লৈরে। মদুগী তমজনফম ওইবা অচুম্বা শেঞ্জা-থুমজা য়াওদবা খুদম চাংদম খরদি উহনবীফম থোকই। শেঞ্জা থুমজা কয়াগী ৱাথোক মশীং খঙদনা লৈরে। মরাল লৈবশিং করি-করি চৈরাক পায়খৎপীখ্রবগে?

মপূং ওইনা ইন্দিয়াগী নৎত্রবসু ঐখোয় মণিপুরদা মমাঙথক্কী কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদা চথুরম্বা মরুওইনা নহারোল লালহৌবগী ঈরাংগী নামাদা হাৎখিবশিং, সেন্টরনা পীথরকপা শেঞ্জাও কয়াবু লান্না শীজিন্নবশিং মতম মতমদুগী মরাল লৈবশিং কনা কনাবু বি জে পিগী চহী অহুমসিদা মশক থোকপা চৈরাক পীবীখ্রবগে? ৱাজাও ঙাঙবনা লৈথোক লৈশিন খক য়াররোই। অচুম্বা অশেংবা লৈঙাক ওইহনগে খল্লবদি মরাল লৈবা, নম্বর ফোর লল্লোনবশিং ফাগৎতুনা মীয়াম মমাঙদা চৈরাক পীবিদবসিবু লৈঙাক অসিনা কদাই ফাওবা অচুম্বা থবক পায়খৎপীরিবগে? মসিনা তাকপদি পূম্নমক শক-মায়, শেঞ্জা-থুমজা চথুরবরা? ৱাহংসিগী পাউখুমদি মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। চোংথোক চোংশিনগী কেস পূম্নমক অপঙ অশিং লোইনা খঙনবা ঙাক্তনি। লাইরিক হৈবা হৈতবা ঙম্নমক ৱাখল তানরে। অদুবু চহী, টর্ম লোইরগদবা ফাওবা ফল তাহনদবসিগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? ঐখোয়গী ইন্দিয়া, ঐখোয়গী মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্লা খৌরাংনা ঙাইনরিবসি অচুম্বগী মফম অরানবগী চৈরাক্তবু খৌরাংনা ঙাইনবনি। ২৮ কাবা কোংগ্রেসপু ২২ কাবা বি জে পিনা লৈঙাক পায়খিবসিদা মখল মখাগী ৱাহং থম্মোয় থম্মোয়দা হংনরি। পাউখুম ঙাইনরি। মরম অদুনা চহী অনীসিগী মখা তারকপদা মণিপুরদা লৈঙাক পুবা য়াওরিবা এম এ এল খরদি দশাগী মথক্তা দশা তাবা হায়বসি লৈবাক্তা খোঙনা চৎপগুম্বনি। মন্ত্রিসু ওইহৌদা, চোংথোক চোংশিনসু ঙমহৌদা য়াম্না য়াম্না ৱানা চাক্লা খাঙনদবা য়াওরম্লোই। লাক্কদৌরিবা মথংগী ইলেক্সন্দা টিকেট ফাওবা ফংনদবা য়াররোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা বি জে পি লৈঙাক অসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা চাউরবা ময়ি অমদি মীয়াম মমাঙদা লৈরে। অদুবু ইন্দিয়াগী বি জে পি, মণিপুরগী বি জে পি ঈশিংগা থাওগা খুদম চাংদম পীবা য়াই। মণিপুরদা পোলিটিক্সকী থাক অসি নোংম-নোংমগী শোন্থরক্লি। মপূং ওইনা অচুম্বসিবু অরানবনা নোংম-নোংমগী খুদুম চনশিল্লক্লি।

মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অসিদা পেন্নদবগী খোল্লাউ অসুক য়াম্না লৈরবসিদা ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা ষ্টেটশিংদা করম থোক্লমগবা অপংবা মীয়ামগী ৱাহং মশীং খঙদনা লৈরি। পোলিটিকেল পার্টিশিংসু নোংম-নোংমগী শোন্থরকখি। মরমদি অচুম্বসিবু লাকখিগদ্রা? অচুম্বসিবু লৈরিগদ্রা? ঙসিগী ২১শুবা কম্প্যুটরগী চকসিদা অচুম্বসি শেঞ্জাও পায়বশিংনা লোৎশিন্দুনা থম্নখ্রে। করম্না শেঞ্জাও পায়বশিংদগী লৌথোক্কদগে। হীরম শোমদা নৈনবগী মহুত্তা মীচম মীয়াম, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক শেঞ্জাও পায়নবা মখল মখাগী থাজ থাজদ্রবা করবার পায়খৎনরকপা নোংমগী লেপ্তুনা তানরক্লিবসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা লৌনরক্লি। নম্বর ফোর লল্লোনবা মশীং য়ামখৎলকই। মসিগী মনুংদা গ্রাম ৫/১০গী ফারগা জেলদা থম্মী অদুগা কেজি/কেজি লল্লোনবশিং ফারবসু জেলদা থম্বা ঙমদবসি অচুম্বগী মফম কল্লিবরা। লমদমসিদা অচৌ অচৌবা করবারৱালাশিং লৈঙাক্লা শৌগৎনবরা? লায়রবশিং মরূ ফংনা মুথুৎনবা অরোনবা পোলিসি শান্নরব্রা? ৱাহংনি পাউখুমদি মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা খুম্বীগদবনি। মরম অদুনা অচুম্বসিবু শেঞ্জা থুমজানা ঙম্নমক কুপশিনখ্রবরা? ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## য়াওশঙ নুমিৎ নীনিদা তেনশিনবিনবা এসেমব্লিদা ৱারেপ অমতংদি লৌহঞ্জনিংই

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌজিক অসি ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১০ শুবা মীফম ফল্লি। মীফম অসিদা লমদম অসিগী চাওখৎ-থৌরাং, বজেট ইষ্টিমেট ২০২০-২১ অমদি তোঙান তোঙানবা লমদমসিগী ওইবা মরু ওইবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনরি। মখা তানসু নৈনরকখিনি। অদুবু খন্ন-নৈনরিবা মরু ওইবা ৱাফম কয়া অসিগী মনুংদা হন্দক লাক্কদৌরিবা অমদি মতুংদা লাক্কদেরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসি নুমিৎ নীনিখক পাঙথোকহন্ননবা এম এল এ ৬০না পুন্না ৱারেপ অমখক্তংদি লৌহঞ্জনিংই। ৱারেপ অসি লৌবীহৌবদা লমদম অসগী ওইনা তুং কোইনা কান্নবা ওইগনি হায়বসি চুমগদ্রা হায়না খল্লি।

ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙই, মদুদি ধর্ম্মগী মিংদা য়াওশঙ কুম্মৈ অসি নুমিৎ ৫ নি লেপ্তুনা পাঙথোকপনা লমদম অসিগী শেল-থুমগী ফীভমদা কয়া য়াম্না শোকপগে অমদি লৈত-লায়রা মীয়ামদা শেল-থুমগী অৱাবা চৈথেং কয়া য়াম্না ফংবগে হায়বসে, নোংমতং বন্দ, ব্লোকেদ তৌবদা লমদম অসিদা শেল-থুম কয়া য়াম্না মাঙবগে হায়বসি অখঙ-অহৈ কয়ানা পুথোক্তুনা নৈনখ্রবা ঙাক্তনি। অদুনা য়াওশঙ কুম্মৈ অসিনা লমদম অসিদা অমাঙবা ওইহল্লি খঙনবদগী লমদম অসিগী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনা স্পোর্টসনচিংবা পাঙথোক্লরক্লিবা অসিনি। পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ স্পোর্টস অসিসু অসুম য়েংবদা ভেল্যু বেজ স্পোর্টস ওইদবদৌনা তৌবা ওইনা উই। স্পোর্টসকী থৌরম কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লম্বীদা ট্রাফিক জাম ময়াম অমা থোকহন্দুনা মীয়ামদা অকায়বা কয়া অমা পীদবসু নত্তে। মসিনা অহিং অথেংবা ফাওবা অহৌবা লাউদ স্পীকর শীজিন্নদুনা এগজাম থারিবা মহৈরোয়শিংদা অকায়বা কয়া অমসু পীরিবনি। অসিগীসু মথক্তা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা, নুপীমচা কয়ানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা ঙাওশিন্নবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎহল্লি। কুম্মৈ অসিনা মরম ওইদুনা নুংতিগী ফোংবা পাউচে ফাওবা পাবা ফংদবগী নুংঙাইতবা কয়া অমসু মীয়াম্না থেংনদবদি নত্তে।

মীনা চাওখৎপগী লম্দা খুমাঙ য়াঙনা চঙশিন্নরক্লবা মতম অমদি ঐখোয়গী ওইবা রিসোর্স অমত্তা লৈত্রবা, মীপাল তাংলগা হিংলিবা ঐখোয়না ধর্ম্মগী মিংদা হরাও-কুম্মৈ কয়াদা লাংদুনা শেল মাঙহন্দুনা, মতম অরেম্বদা মাঙহন্দুনা লৈথোকপগী মতম অদু ওইদ্রে হায়না খঞ্জে। অদুগীসু মথক্তা হৌজিক অসি লৈবাক্কী ওইবা শেল-থুমগী ফীভমসু ফত্তনা উই। মরম অসিনা লমদম অসিবু অফবা মায়কৈদা পুবিরক্কনি খন্না মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা থাগৎপিখিবা এম এল এ ৬০ না য়াওশঙ কুম্মৈ অসি নুমিৎ নীনিখক পাঙথোকপীনবা চথুরিবা এসেমব্লি মীফম অসিদা অপুনবা ৱারেপ অমতং লৌহঞ্জনিংই, মসিমক থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অদু ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এ ৬০গী মফমদা থমজরি।

*অদোমগী - কাংজম হেমন্ত*
*লাংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়*

## পরিক্ষা মনুংদা থোকহন্নীংদবা ফীভম খরা

ইকাই খুম্নজরিবা এদিটর,

হন্দক্কী চহীগী ওইনা ঐচ এস এল সী অমসুং হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন্দা মহৈরোয় লিশীং কয়া এগজাম থানবা হৌখ্রে। অসিগীসু মথক্তা লন্নাই কোচিং সেন্তরশিংগী টেষ্ট সিরিজগী এগজামশিংসু পাঙথোক্লরি। অমরোমদা মণিপুরগী ত্রাফিক সিষ্টম, পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টম অমদি লম্বী থোংগী ফীভম ফত্তবনা ত্রাফিক জাম তোয়না থোকই। মতম অমদা নিতাইপাৎ চুথেক অসি ত্রাফিক জাম তোয়না থোকপদা হায়নরল্লিবনি। অদুবু মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা চাউরবা ত্রাফিক সর্কল অদু মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীদুনা পিকশিনবা য়াবা পিকহনখিবদগী নিতাইপাৎ চুথেক্তা তোয়না থোক্লম্বা ত্রাফিক জাম অদু খরমখৈদি হন্থরমাল্লে। হৌজিক ক্বাকৈথেল, ৱাহেংবম লৈকায় অসিনচিংবা মফম খরদদি লম্বীশিংগী অচৌবা জঙ্কসনশিংদা ত্রাফিক জামশিং থোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। হৌখিবা চহী খরদা ত্রাফিক জামনা মরম ওইদুনা ষ্টেট এগজাম নৎত্রগা ওল ইন্দিয়া লেভেলগী কম্পিটিটিভ এগজামশিংদা পরিক্ষা থাবা চৎনখিবা মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লখিবা অৱাবা চৈথেংশিং অদু ইমিৎতা শং-শং উরকই। অহল ওইরগা চিন থীবু হায়বীগনি। এগজাম থাবা নংনররোই হায়দুনা মতাং অদুদা ফীভম্না য়াদদুনা ত্রাফিক্কী চৎন-কাঙলোনশিংগী ৱাংমদা ফুথ-পাথকী মথক্তা ফাওবা গাড়ী থৌগৎনদুনা চৎনখি।

হরাও কুম্মৈ ময়াদদি মথুম-মরাং হৌনরবা ৱাখলগী ঈথক-ঈপোম্না থুমহৎখিদুনা এগজাম লৈবগী নৎত্রগা লৈকায়দা অনা-অয়েক য়াওরমগনি হায়বনচিংবগী ৱাখলকা চংনবা জাৎ নত্তে। মদুদা ৱাখল থাদবগী মহুত্তা অহোয়নদুম মাইক্রোফোন নৎত্রগা লাউদ স্পিকর অদু হৌনা লৈখৎতুনা থৌরমগী ৱা কয়া লৈশি-লৈথোন্না ঙাঙনৈ অমসুং ঈশৈসু হৌনা হৌনা খোংনৈ। অসিদসু নৎত্রি, য়ূমলোন-কৈরোন্নবদসু হৈনবী ওইনা নুমিৎ হেক খুদিংগী রেদিও/টেলিভিজনসু মশা-মশাগী নুংঙাইজনবা মওংদা কা হেন্না মতম শাংনা হৌনা থাবসু য়াওনরি। করিগুম্বা মতমদসু মরিং-মরাংবা তাহৈদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ইমুং-মনুংগী নৎত্রগা থংনবগীবু ওইরবসু খৎন-চৈনবগী লাওন-খোৎনবসু য়াওনৈ। অমরোমদা হায়রগদি হৌজিক্কী মতমদা টাইপ-রাইটর ফাওবা মখোল থোকই, নাকোংদা শোক্কনি হায়দুনা কম্প্যুটর ওইনা শীজিন্নরবা মতমনি। মহৈরোয়শিংগী লাইরিক পাবদা খুদোংচানবা মফম অয়াম্বদদি নুমিৎ খুদিংগী ওইনা মৈদি চাং নাইনা ফংলে অদুবু ঈশিংগী মতাংদদি য়াম্না ওন্ন-তৈনবা হায়বদু ওইরি। অমনা পরিক্ষা মনুংদা মরী লৈনবা পুলিসমেনশিংনা গাড়ীগী চে-চাংনচিংবা চ্যেক তৌরকপা তারগদি পরিক্ষা থাবা চৎনরিবা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লগদ্রা খঞ্জে। এগজাম হোলদা মতম চাদনা ক্বেসন য়েন্থোকপদগী মতম খরা মাঙহনখিসু মহৈরোয়শিংনা পেন্নদ্রিবনি। খ্বাইদগী অমুক লাইবক থীরিবদি হন্দক্কী পাঙথোক্লিবা ক্লাস এলেভেন এগজামগী পাঙথোক্ত্রিবা মেজর সবজেক্ট খরগী ক্বেসন লিক ওইবগী ৱাফম কয়া তানরকপদগী মহৈরোয়শিং অমদি মাগী মাগী মমা-মপা, গার্জিয়ানশিংনা হঙ্গোয়বা, নীংহন্নবা পোক্তুনা পিকখ্রবা ইরমদম মণিপুরদা থবক্কীবু ওইরবসু অমগীবু ওইরবসু পাঙথোকপা এগজামশিংদা থাজবা থম্লক্তবা মতম শাংলবনি। শেল পায়নদবা লৈনদবগী ৱানি শক-চু-লোল-লি খেন্নরবসু ৱারসু ৱানা মপানগী ষ্টেটশিংদা তম্নিংবা ঙাক্লি।

অরোইবদা মহৈরোয়শিংবু নুংশিবীদুনা হায়জখিবা প্রোব্লেমশিং অসি য়ারিবমখৈ লৈহনবীদনবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা থোইদোক হেন্দোক্লা নোল্লুকপগা লোয়ননা নীংশিংজরি।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা লম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## এদ্যুকেসন (এস) কী এদহোক থৌমীশিংগী মরায়বক কদোমদা

ইকাই খুম্নজরিবা এদিটর,

দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা লৈরম্বা এদহোক থৌমীশিং, (এদ্যুকেসনগী য়াওদনা) অতৈ লোইনমক লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৩ দা রিগ্যুলর তাহনবীখ্রে। লৈহৌরিবা লোইশঙ অসিগী থৌমীশিং অসি চহী ২০ লোম অমসুং অহেনবশিংনি। থবক্তগী পোথবগী মতম য়ৌদুনা থবক লোইজখিবা ফাওবা য়াওখ্রবনি মতোমতা। মতম কুইরবগী মতুংদা লৈঙাক্লসু ওফিসকী রেকোর্দ (চে-চাং) গী মতুংইন্না এদ্যুকেসন এসকী এদহোক থৌমীশিংগী অৱাবা খঙবীদুনা লৈঙাক্লা কেবিনেটতা পাস তৌবিদুনা থৌমী ৫০২ রেগ্যুলর তাহন্নবা স্পেসল দি পি সী অমা হৌখিবা চহী ২০১৬ গী সিদেম্বর থাদা পাঙথোকপিখ্রে। মশা- মশা য়াওনা, মশীং শুনা লাকখিবসু নত্তে। দিপার্টমেন্টনা পীবা এটেষ্টেসন ফোর্ম মেনশিল্লগা থাজিনখ্রবনি। মশিং য়াম্বসু নত্তে। মসিদি অনৌবা থবক লৌবসু নত্তে। রেগ্যুলরাইজেসনগী লোইশিবীদবনা তোলোপসু অসুক কুইনা পীবিদ্রে। কাদবদি য়াদবনিনা ওফিসতা লৈজরিবা ঐখোয় ইকায়জরে মীওইবা কৌবনিনা। মিদিয়াদা, পাউচেদা উজবদা, তাজবদা, হন্দক্কী ইকাই খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক অসি শেঞ্জা-থুমজা য়াওদনা থবক থৌরম কয়া অমা অফবা মায়কৈদা খুমাঙ চংশিনবা তাজরি। এদ্যুকেনগী ওইনসু রিক্কিজিৎ ওজা ১৭৮৬গী তোলোপকী মতাংদসু দাবী পীবিখরে। হন্দক্তসু রমসাগী ওজাশিংগী দিমান্দসু লৈঙাকসিনা খন্নবিখরে। এদহোক্তা লৈজরিবা ঐখোয়সু অসুক কুইরবা মতমসি ৱানা খাংদুনা নোংমদি নাখৈ শেংবীরক্তুনা অৱাবা কোক্লকনি খন্না ঙাইজরি। মরম অসিনা কুইনা হায়দোকপিদনা থম্বীরিবা এদ্যুকেসন (এস) কী এদহোক থৌমীশিংগী স্পেসল দি পি সী অসি ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মীনুংশিগা লোয়ননা হায়দোকহনবীদুনা ৱানা ঙাইজরিবা ঐখোয়বু রেগ্যুলর এপোইন্টমেন্টতা থোকহনবীদুনা তং তাবা ফীভম অমদা অথুবা মতমদা থম্বীয়ু হায়না নোল্লুকচরি। তাইবঙ শেম্বা মপুনসু অফবা পাঙথোকপা লৈঙাক অসি মতম শাংনা লৈহনবীনবা ঐখোয়নসু থৌনিজরি।

*অদোমগী - এ কিরনমালা (ক্রাফ্ট)*
*জোন-২, ওফিস পোরোম্পাৎ*
*পি রঞ্জনা (ক্রাফ্ট)*
*জোন-২, ওফিস পোরোম্পাৎ*

## মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

ইকাই খুম্নজরিবা এদিটর,

উরিপোকলোম থংবা ফ্লাই ওভর ব্রিদজকী লোইশিল্লকপদা থল্লিবা কনক্রিটকী রোদ মেদেন অসিদা য়াম্না তোয়না থোমজিন্দুনা এক্সিদেন্ট থোক্লে। নুমিদাংগী মতমদনা হেল্লি এক্সিদেন্ট থোকপগী চাংসি। থা অমদা অনীরক/অহুম্নক থোক্লি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু নোংমতসু চেকশিন থৌরাং অমদি এক্সিদেন্ট থোক্তনবা ফ্লোরেসেন্ট ষ্টিকরনচিংবা নপ্পা তৌবীদে। ক্লবনা মতম মতমগী য়ানবা বজারদগী ফ্লোরেসেন্ট ষ্টিকর নপ্পা অমদি এৱ্রোর্নেস বোর্দ থেৎপা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে। মরম অসিনা হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সি কনমিন্নরসি।

অদোমগী - চীংথাং নাম্বম
জেনরেল সেক্রেটরি
উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় ৱেলফেয়র ওর্গেনাইজেসন
(য়ু টি এল দব্লিয়ু ও)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।